**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-03-2025)**

**এরেষ্ট (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ য়াওনা এম.এল.এ. খরদা মুখ্য মন্ত্রি ওইহনগনি হায়দুনা শেল লৌথোকবা হোৎনরম্বা মীওই অহুম ফারবা মতুং ঙসি ইম্ফালদা পুরকখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফারবা মীওই অহুম অসিনা মনিপুরগী এম.এল.এ. খরদা, মখোয় গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগী মচানুপানি, মুখ্য মন্ত্রি ওইনিংলবদি লুপা কোতি মরি পীরকউ হায়না ফোন তৌরক্তুনা খঙহল্লকখি। তুংদা, এম.এল.এশিং অসিনা পুলিসতা ৱাকৎলকপদগী ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎতুংনা থিজিনবা হৌরকখিবনি। তুংদা, উত্তরাখন্দগী মফম অমদগী মখোয় অহুম ফাদুনা দিল্লি পুলিসতা শিন্নরল্লবা মতুংদা ঙসি মনিপুর পুলিসনা ইম্ফালদা পুরকখিবনি। মখোয়গী মথক্তা লৌখৎলিবা কেসকা মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোল্লবা মতুংদা ৱাথোক অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনখিগনি হায়রি।

**ত্রক (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী হেনবুং অমদি টি-খুল্লেনগী মফমশিংদা ইম্ফাল তমা লাকপা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ৪৫০ গী মথক্তা হৌজিকসু পন্দুনা লৈরি। গাড়িশিং অদুগী মনুংদা-থাউ পুবা, মী পুবা বস অমদি ৱিঙ্গরনচিংবা য়াওরি।

কুকি জো কাউন্সিলনা কৌখিবা মতম কক্তবা সটদাউন্দনা মরম ওইরগা গাড়িশিং অসি পন্দুনা লৈরকপনি।

হীরম অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা ৱারী শান্নবদা সেনাপতি জিলাগী এস.পি.-ধরমেন্দ্র ত্যাগীনা হায়-গাড়িশিং অমদি ড্রাইভরশিংবু অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্স এসোসিয়েসননা পন্দুনা লৈরিবা গাড়ি

দ্রাইভরশিংদা চান-থকবা অমদি ঈশিং য়াওনা অণ্ডম্বা মতেংশিং পাংলি। হীরম অসিগী মতাংদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট-সালোনি তোনিনা অকাশবানি ইম্ফালদা অসুমা ফোংদোরক্লি।

**রাজ ভবন (এল)ঃ** হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-দি.কৃষ্ণকুমারনা লুচিংবা কোর্ট অসিগী জজশিংগী মীহুৎ কাংবু অমগা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগা ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুর লিংখৎখিবগী ১২ শুবা চহিগী থৌরম থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুদা রাজ্যপালবু শরুক য়াবীনবা উন্নবা অদুদা শরুক য়াবীনবা হায়জরমখি। খোঙচৎ অদুদা জষ্টিস-এ. বিমোল, জষ্টিস-এ. গুনেশ্বর শর্ম্মা অমসুং জষ্টিস-গোলমৈ গাইফুল সিল্লু কবুই শরুক য়াখি।

**এক্ট (এল)ঃ** রাজ্য পুলিসকী ওইবা তোকখায়বা বিল নৎত্রগা এক্ট শেমবা পায়খৎপা থবকশিং কাউন্টর এফিদিবিট অমা পীখৎলক্তুনা খঙহন্নবা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা মরী লৈনবা ওথোরিতিদা চয়োল অহুমগী মতম পীখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদগী য়াংলেম মঙ্গিনা কোর্টতা থাংগৎলকখিবা ৱাকৎ অমগা মরী লৈননা থা অসিগী তরুক্তা চথখিবা হিয়ারিং অমদা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী জষ্টিস-এ. গুনেশ্বরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা রাই অসি পীখিবনি। কোর্টনা পীখিবা রাই অদু পল্লদুনা য়াংলে মঙ্গিনা হায়-রাজ্য পুলিসকী থবক থৌরমশিং হেন্না খুমাং চাউশিন্নবা রিটপিটিসন অসি ফাইল তৌখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ইং ২০০৬ তা সুপ্রিম কোর্টনসু রাজ্যশিংগী ওইবা তোঙানবা পুলিস এক্ট থমবা খঙহনখিবা লৈরে। মরম অদুনা, মরী লৈনবা ওথোরিতিনা কমিতি অমা শেমদুনা থবক পায়খৎপা তঙাইফদে। মসিগী মতুং ইন্না কেন্দ্র সরকার য়াওনা রাজ্যগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং চয়োল অহুমগী মনুংদা কাউন্টর এফিদিবিট অমা তৌদুনা পাউখুম পীরক্কদবনি অমসুং কোর্টনা মখা তাবা

হিয়ারিং এপ্রিল ১১ দা চথনবা মতম লেপখ্রে হায়রি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** বিষ্ণুপ্র জিলাগী ওইবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎনবা চেকশিন থৌরাং শেমবগীদমক জিলা থাক্কী অহানবা মীফম অমা ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা জিলা পরিষদ কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর জিলা পরিষদ, দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট প্লান্নিং কমিতিনা শিনবা মীফম অদুদা রুরেল দিবলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজগী চীফ ইগজ্‌কিটিব ওফিসার, দি.দি.ওশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী বি.এল.ওশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

**মৈ (এল)ঃ** পৱারগী কম্মিস্নার-ডা: সৈলেস কুমার চৌরাসিয়ানা ঙসি পি.এম. সুরিয়া ঘর মুক্তা বিজলি য়োজনাগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা থৌরম অমা হৌদোকখ্রে।

ইম্ফালগী অনিশুবা মনিপুর রাইফলসকী হোজং মনাক্তা নৌনা শাবা এম.এস.পি.দি.সি.এলগী দাইরেক্তোরেট বিল্ডিংদা থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা শ্রী চৌরাসিয়ানা হায়-থৌশিল অসি মনিপুরগীদমক্তদি য়ামা চান্নবা থৌশিল অমনি। থৌশিল অসি মায় পাকা পাঙথোক্লবদি মীয়ামনা মৈগী চাদিং তৌবগী চাং হন্থহনগনি।

**ত্রাফিক (এল)ঃ** লাক্লিবা য়াউশঙ কুন্মৈগী য়েংলগা ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং মনিপুরনা অখন্নবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলগনি হায়রি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পি. প্রমেস অরাম্বমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-থা অসিগী ১৪ দগী ১৮ ফাওবা য়াউশং কুন্মৈ মনুংদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোকপা হন্থহন্নবা অখন্নবা চেকশিন থৌরাংশিং

লৌখৎলগনি।

গাড়ি অচৎ অওকশিং য়েংশিন্নবা অখন্নবা কাংবুশিং লম্বীগী মফম কয়াদা থমদুনা হেলমেট উপ্তুনা গাড়ি থৌবা, গাড়িমচাদা মী অহুম তোংশিনবা, চহি শুদ্রিবা অঙাংশিংনা গাড়ি থৌবা, লাইসেন্স পায়দবা মীওইশিংনা গাড়ি থৌবা, য়ু থক্লগা গাড়ি থৌবা, কা হেন্না কন্না গাড়ি থৌবনচিংবা য়েংশিনবগী থবক চত্থগনি। মরম অদুনা, ত্রাফিক্কী চৎন-কাঙলোন ঙাকা তৌবা য়াবা অমদি য়াদবশিং খঙনা গাড়ি থৌদুনা অশোয় অঙাম য়াওদনা য়াউশং কুম্মৈ পাঙথোমীন্নসি হায়না আপিল

**ককচিং (এল)ঃ** কেন্দ্রগী সোসিএল জষ্টিস এন্দ ইমপৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-ককচিং, দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস-ককচিং অমসুং মনিপুর ষ্টেট লাইফলিহুদ মীসনগী মখাদা শেম্বা ৱাবগাই জি.পি. ভিলেজ লেবেল ফেদরেসনগা পুন্না খুৎশমদ্না নসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা থৌরম অমা ঙসি ৱাবগাই ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা খুন্নাইদা ময়াই কাবা নিশানা মাঙহল্লকপা অমসুং মসিদগী চেকশিন্নবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**নুপী (এল)ঃ** মালোম মখা লৈকাইদা থা অসিগী তরেৎতা লৈকাইগী পুখ্রি অমদা শিনা ফংখিবী চিংথাম নিংঙোল থোকচোম ওংবী মতৌলৈবী দেবীগী মীশি অদু থিজিন্নবা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা মীওই অহুমনা শাবা ফেক ফাইন্দিং টিম অমা শেমখ্রে।

কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন-থুমলিপ পিংনিংফাম মোনশাংনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-থা অসিগী ১০ দা ফেক ফাইন্দিং টিম অসিনা থৌদোক থোকফমদা চৎতুনা থিজিনবগী থবক হৌখ্রে।

কেস অসিগী মতাংদা বিষ্ণুপুর জিলাগী এস.পিদগী মরিক চুম্বা রিপোর্ট

অমা পীখৎলকবসু কম্মিসননা খঙহন্‌খ্রে হায়রি।

**তোবেকো(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট তোবেকো কন্ট্রোল ইস্ফাল ৰেষ্টনা শিনদুনা সিগরেটস এন্দ আদর তোবেকো প্রদক্সন এক্ট ২০০৩ অমসুং প্রোহিবিসন ওফ ইলেক্ট্রোনিক সিগরেটস এক্ট-২০১৯ গী মতাংদা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি লমফেলগী আর.দি.ৱিংদা লৈবা ষ্টেট ফেমিলি ৱেলফিয়ার ট্রেন্নিং সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পুলিস, ওজাশিং, ফুদ সেফতি ওফিসারশিং অমসুং এন.জি.ওশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

**এআর (এল)ঃ** কামজোং জিলাগী কাংপাৎ খুনৌ খুলদা অসাম রাইফলসনা ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা পোৎয়োনফম ওইনা শাবা শঙ অমা ঙরাং শঙ্গাখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-চুরাচান্দপুর জিলাগী গেলবুং খুলদা নৌনা শাবা কম্ম্যুনিতি হোল অমসু ঙসি শঙ্গাখ্রে। থৌরম অসুদা অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমসুং খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, কোমলাখোংদা লৈবা অসাম রাইফলসকী মীওইশিংনা সেকমাইজিন মনিং লৈকাই রিলিফ কেম্পতা চান-থকবা য়াওনা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে হায়রি।

**চান্দেল (এল)ঃ** এদোলেসন হেলথ প্রমোটকী মতাংদা পির এদুকেটরস অমসুং আশা ৱাকরশিংগী নুমিৎ তরুকনি চথুগদবা ট্রেন্নিং অমা ঙসি চান্দেলগী লিৱা চনিং গভরমেন্ট হায়স্কুলদা হৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-চান্দেলনা শিনবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** সেল্ফ হেল্ফ গ্রুপশিংগী চহিগী ওইবা থৌরম অমা ঙসি তমেংলোং মিণি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তমেংলোংগী এস.দি.ও- দি. মৈদিনবুই য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া য়াওখি।

**সংসদঃ** এম.পি. অঙোম বিমোল অকোইজমনা ঙসি সংসদকী মীফমদা মনিপুরগী বজেটকী মতাংদা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখ্রে।

শ্রী বিমোলনা হায়-কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা পুথোকখিবা বজেট অদুদা হৌজিক থোক্লিবা মনিপুরগী ইরাং অসিগা মরী লৈনবা ৱাফম অমত্তা পন্দবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। মমাং চহিদা মনিপুরদা চাউনা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা রাজ ভবন ফাওবা থুমখিবা অদুগী মতাংদা বজেটতা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা পন্দে। অসিগুম্বা মনিপুরবু মীরায়বগী মমি চাউনা তাবা থৌওংশিং অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগী ৱাখলদা ঐখোয়সে ভারতকী নাগরিক অমা ওইরিব্রা হায়বা ৱাহং হংহন্নবগী মরম ওইরে।

এম.পি. অলফ্রেদ কনঙম আর্থরনসু বজেট অদু মপুং ফাবা বজেট নত্তে হায়না য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাফম কয়া সভাদা থমখি।

**ইসিআইঃ** লৈবাক অসিদা মীখলগী থবক থৌরমশিং হেন্না ফগৎহন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই.সি.আই) না রাজনিতি দলশিংগা ৱারী শান্নবা বার্ত্তন তৌখ্রে।

ই.সি.আইনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ই.আর.ও, দি.ই.ও নৎত্রগা সি.ই.ওগী থাক্তা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবা কেসশিং লৈরবদি লাক্লিবা এপ্রিল ৩০ ফাওবগী মনুংদা জাতি অমসুং রাজ্য থাক্কী রাজনিতি দলশিংনা মখোয়গী ৱারোলশিং কম্মিসনদা পীখৎলকবা হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি রাজনিতি দলশিংদা চেরোল অমমম থাখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা মীখলগী থবক

থৌরমশিং হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা রাজনিতি দলশিংগী প্রসিদেন্টশিং অমসুং মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা ৱারী শান্ননবসু কম্মিসননা ফোংদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, মমাং চয়োলদা পাঙথোকখিবা ই.সি.আইগী মীফমদা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-গ্যানেস কুমারনা রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী সি.ই.ওশিং, দি.ই.ওশিং অমসুং ই.আর.ওশিংদা রাজনিতি দলশিংগা চাং নাইনা ৱারী শান্নদুনা মখোয়না ফোংদোরকপা ৱাফমশিং তাননবা অমসুং মথৌ তাবা থবকশিং থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা লোয়শিনদুনা কম্মিসনদা ৱারোল অমা পীখৎলকবা খঙহনখি।

**পোলো (এল)ঃ** মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা ৩৭ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না আরবিন পোলো ক্লব-ইরোইশেম্ববু পাঞ্জল ১৩-৭ তা, চিংখৈহুনবা পোলো ক্লব-কোংপালনা সমাদোন পোলো ক্লব-মোংশাংগৈবু পাঞ্জল ১২-১ দা অমদি কংলৈপাক পোলো স্তার-লাইফম খুনৌনা মৈরাবা পোলো ক্লব-খুয়াথোংবু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** অনিশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর টোইন্তি থ্রি হাওবম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএল ত্রোপি ২০২৪-২৫ গী ঙসি খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরগী পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্ট ফোরনা সাইক্লোন-থাংমৈবন্দবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখ্রে।

লমশাংগী খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতনা পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকপু রন-৩ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অনিশুবা দিলবুং কমচোর মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪ গী ঙসি হৈনৌবোক

ৱাই.সি.ডব্লিয়্.ও. গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা-খুমন এফ.এনা সঙ্গাই হেরোজপু পাঞ্জল ১-০ দা, থোই এফ.এনা গোরখা এফ.এবু পাঞ্জল ৫-০ দা অমদি ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ.সিনা ক্রাউবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)**ঃ ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫, থা অসিগী ১৭ তগী হৌরগনি হায়না ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**ফুটবোল (এল)**ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা চথরিবা অহানবা থোকচোম ইবোতোম্বী চলাম্বা মীতৈ মেমোরিএল থার্দ দিভিজন অন্দর ফিফতিন বোইজ ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ গী লেমহৌরিবা মেটচশিং য়ৈথোক্লে হায়না দি.এস.এ. বিষ্ণুপুরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।